পি এমনা পেরালিম্পিয়নশিং ওক্কদৌরি : অনুরাগ থাকুর

ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ০৬ (এজেন্সী): টোকিও পেরালিম্পিক গেমস ২০২০দা ইন্দিয়াগী পুৱারীদা অনৌবা লামায় হাংদোকপা ঙমখ্রবা মেদল ১৯ লৌরকখিবা ইন্দিয়াগী পেরা কন্টিঞ্জেন্ট অদুবু ইন্দিয়া য়ৌরকপদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা তরাম্না ওকপগী থৌরম পাঙথোক্কনি হায়না য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অনুরাগ থাকুরনা ফোঙদোকখ্রে।

স্পোর্টস মিনিষ্টর অনুরাগ থাকুরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, শান্নবগী হীরমদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা মহাক্কী চিল্লবা সেদ্যুল্ডশিং অদু কায়থোক্তুনা পূক্নিং থৌগৎপগী থৌরমশিং পাঙথোক্লি। মমাংদা টোকিও ওলিম্পিক গেমস শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় পূম্নমকপু অমমম্তা ওইনা ৱারী শানদুনা অখন্নবা থৌরম অমদা ওকপগী থৌরম পাঙথোকখি। মদুদসু নৎতনা গোল্ড মেদল ৫ য়াওনা পূন্না মেদল ১৯ ফংলক্লবা ইন্দিয়াগী পেরালিম্পিয়নশিংবু মখোয়না ইন্দিয়াদা য়ৌরল্লবা মতুং অখন্ননা ওকপগী থৌরম অমসু পাঙথোক্কনি হায়রি।

মিনিষ্টর অনুরাগ থাকুরনা উত্তর প্রদেশকী নোইদা দিষ্ট্রিক্টকী মেজিষ্ট্রেট সুহাজ য়াথিরাজনা বেদমিন্টনদা সিলভর মেদল ফংলকখিবা পর্ফোর্মেন্স অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকখি। মহাক্না গোল্ড মেদল, সিলভর মেদল অমদি ব্রোঞ্জ মেদল ফংলক্লবা পেরালিম্পিয়নশিংগীদমক্তা অখন্নবা থাগৎ ৱাহৈ ফোঙদোকখি। কুমজা ২০১৬কী রিও পেরালিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী গোল্ড মেদল অনী অমদি সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ অমমম্ পূন্না মেদল ৪খক ফংখিবা অদু টোকিও পেরালিম্পিক গেমসতদি গোল্ড ৫, সিলভর ৮ অমসুং ব্রোঞ্জ ৬ পূন্না মেদল ১৯ ফংদুনা ইন্দিয়াগী শান্নবগী পুৱারীদা পেরালিম্পিয়নশিংনা খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্স অদু উৎপা ঙম্লি।

অনুরাগ থাকুরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, পেরালিম্পিয়নশিং অসিবু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়নননা লাক্কদৌরিবা ২০২৪ অমসুং ২০২৮ ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অহেনবা পর্ফোর্মেন্স লৈনবগীদমক লৈবাক অসিদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস ফেদরেসনশিংদা অনৌবা কাঙলোনশিং পায়খৎতুনা হৌজিক্তগী হৌনা শান্নরোয়শিং শেমগৎনবগী ৱাফমশিং থমখি। মিনিষ্টর অসিনা শান্নরোয়শিংগা হকথেংননা ৱারী শানদুনা পাঙথোক্কদবা তোঙান-তোঙানবা থৌরম কয়াসু শীনগনি হায়রি।

ক্রাইচিকোভানা গার্বিন মুগুরুজা থোইদুনা য়ু এস ওপনগী নুপীগী ক্বার্টর ফাইনেলদা সভালেনকাগা থেংনরগনি

ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ০৬ (এজেন্সী): চহী অসিগী অরোইবা গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা য়ু এস ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলসতা চেক রিপব্লিককী বার্বোরা ক্রাইচিকোভানা স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা বেলারুসকী এলিনা সভালেনকাগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ৮শুবা সিদেদ ওইখিবী বার্বোরানা ৯শুবা সিদেদ স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজাগা অকনবা লম্বা থেংনরকপদা সেট ২-০দা মায় পাকপা ঙমখি। অহানবা সেট অদুদা ক্রাইচিকোভানা মুগুরুজাগী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬-৩দা ইৱা-ৱাদনা মায় পাকখি। মদুগী মতুং অনীশুবা সেটতা মুগুরুজাগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না লম্বা পীরকপদগী টাই ব্রেকতা য়ৌরক্তুনা পোইন্ট ৩খক হেল্লগা বার্বোরা ক্রাইচিকোভানা ৭-৪দা থোইরগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখিবনি। ক্বার্টর ফাইনেলদা মহাক্না বেলজিয়মগী এলিস মর্টেন্সপু ৬-৪, ৬-১দা মায়থীবা পীরম্বী টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ বেলারুসকী এলিনা সভালেনকাগা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

নুপীগী অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা কানাদাগী লেলা ফর্নান্দেজ অমসুং য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনাগা লম্বা তৌনগদৌরি। টুর্নামেন্ট অদুদা সিদিং ফংখিদবী কানাদাগী লেলা ফর্নান্দেজনা মহাক্কী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ১৬শুবা সিদেদ জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরগা লম্বা তৌনখি। মেটচ অদুগী অহানবা সেট জর্মনিগী শান্নরোয় অদুনা ফর্নান্দেজকী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৪দা থোইখি। অদুবু অনীশুবা সেটতা মহাক্না হান্না শোত্থখিবা মশান্নশিং অদু ফুগৎপা ঙমদুনা টাই ব্রেকতা পুরকপা ঙমখি। টাই ব্রেক অদুদা মহাক্কী মায়কৈদগী চেকশিনবা হেল্লকপদগী পোইন্ট ৭-৫দা থোইদুনা মরিশুবা রাউন্দগী মেটচ অদু গেম অমমম্ থোইনদুনা লৈখি। টাই ব্রেক অমদি অহুমশুবা সেটতা লেলা ফর্নান্দেজকী মায়কৈদগী ঙন্না ফজবা ঙমখিবনা এঞ্জেলিক কর্বরগী সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬-২দা থোইরগা ক্বার্টর ফাইনেল শান্নগদৌরিবনি।

অতোপ্পা নুপীগী ক্বার্টর ফাইনেল অমদা য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনানা রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপপু থোইরগা কানাদাগী ফর্নান্দেজকা থেংনগদৌরিবনি। স্বিটোলিনানা হালেপপু ইৱা-ৱাদনা ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-৩, ৬-৩দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা অনীশুবা সিদেদ ওইরিবা রসিয়াগী দানিল মেদভেদেভনা ২৪শুবা সিদেদ গ্রেট বৃটেনগী দান ইভান্সপু ষ্ট্রেট সেট অহুমদা ৬-৩, ৬-৪, ৬-৩দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা নেদরলেন্দসকী বোটিক ভান দি জানস্কুল্পকা লম্বা তৌনগনি। জানস্কুল্পনা মহাক্কী ৪শুবা রাউন্দগী মেটচতা ১১শুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবা অর্জেন্টিনাগী দিএগো স্বার্টসমেনবু য়াম্না লেং মান্নবা লম্বা অমদা সেট ৩-২দা মায়থীবা পীখি। অহানবা সেট অদু জানস্কুল্পনা ৬-৩দা থোইরবা মতুং অনীশুবা সেট অদুসু ৬-৪দা থোইখি। অদুবু অর্জেন্টিনাগী শান্নরোয় অদুগী মায়কৈদগী অহেনবা পর্ফোর্মেন্স পুথোক্তুনা ৩শুবা অমদি ৪শুবা সেট অদু ৭-৫, ৭-৫দা থোইরগা দিসাইদিং সেট শান্নখি। মদুদা নেদরলেন্দসকী শান্নরোয় বোটিক ভান দি জানস্কুল্পনা ৫শুবা সেট অদু ইকোম কোম্না ৬-১দা থোইদুনা লাকখিবনি।

অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেলদা কানাদাগী অবু ইলিয়াসিম অমসুং স্পেনগী কার্লোস অলকারাজকা লম্বা তৌনগনি। ইলিয়াসিমনা য়ু এসকী টিয়াফোবু থোইরমখি। অদুগা অলকারাজনা জর্মনিগী বোজোসিক মায়থীবা পীখি।

শেমদোক্কদবা অমসুং হোৎনগদবা ৱাৎলি : ষ্টিমেক

কাথমান্দু, সেপ্টেম্বর ০৬ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিমগী হেদ কোচ ওইরিবা ক্রোএসিয়া মচা আইগোর ষ্টিমেকনা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক লৈরিবা টিম অসি শেমদোক্কদবা অমদি হোৎনগদবা মায়কৈ কয়া ৱাৎলি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ষ্টিমেকনা নেপালগা শান্নখিবা ফ্রেন্দলি মেটচ অনী লোইরবা মতুং পোষ্ট মেটচ কনফরেন্সতা হায়খিবনি। পনবা য়াবদি, ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিম অসিনা নেপালগা শান্নখিবা ফ্রেন্দলি মেটচ অনীগী মনুংদা অহানবা অদু ১-১দা দ্রো চৎলবা মতুং অনীশুবা মেটচ অদু ২-১দা থোইখিবনি।

মহাক্না হায়খিবদা, শান্নরোয়শিং অদুগী মায়কৈদগী উৎখিবা মায় পাক্লিংবগী মশান্না অদুবু থাগৎফম থোকই। মখোয়না নেপালগী শান্নরোয়শিং অদুগী দিফেন্স লাইন অদুবু নমখায়দুনা পাঞ্জল চনবা ঙম্নবা হোৎনবা অদুগী অখাঙ কনবা অদুবু থাগৎখি। পাঞ্জল মাঙজিল থারবা মতুংদা শান্নরোয়শিংগী মরক্তা লাকখিবা অহেনবা থৌনাশিং অদুবুদি খঙনরবা ৱাফমনি।

অহানবা মেটচ অদু ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী দিফেন্সকী অশোয়বা খোঙথাং অমদা নেপালদা পাঞ্জল ওন্থোকখিবনি। অদুবু ইক্বেলাইজর চন্দুনা ইন্দিয়া মায়থীখিদে। মীরমদা শান্নবা অনীশুবা মেটচ অদুসু হৌরকপদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অদুনা মশক নাইবা এটেক পুশিনবা ঙম্বগী চাং অদু নেমখি। অনীশুবা হাফতদি ইন্দিয়াগী ফুটবোল মশান্না অদু হেন্না ফজরক্তুনা নেপালগী শান্নরোয়শিংগী অশোয়বশিং অদুগী খূদোংচাবা লৌদুনা ২-১দা থোইখি।

স্বর্নিম বিজয় ভর্শ ফুটবোল টুর্নামেন্ট লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর০৬(ঐচএনএস): লৈবাকশীনবা থুংনা পাঙথোকপা স্বর্নিম বিজয় ভর্শ থৌরমগা মরী লৈননা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা পানিখেতি খুঙ্গংদা ২২শুবা সেক্টর এ আর/আই জি এ আর (ইষ্ট) কী মীৎয়েং মখাদা ৪৪শুবা অসাম রাইফলসনা ফুটবোল টুর্নামেন্ট শীনখিবা অদু ঙসি লোইশিনখ্রে।

ইন্দিয়াগী ওইনা লানদা শরুক য়াখিবা ভেটরানশিং অমদি ভির নারিশিংবু ইকাই খুম্নবা উৎপা থৌরমশিংদা বেন খোংবা, সেমিনার পাঙথোকপা, এগজিবিসন তৌবা, ফিল্ম ফেষ্টিভেল পাঙথোকপা, এদভেঞ্চর এক্টিভিটিশিং পাঙথোকপা, খূৎলায়নচিংবা উৎপনচিংবগা লোয়নননা শান্নবগী থৌরমশিংসু পাঙথোকখি। মসিগী মনুংচন্না ৪৪শুবা অসাম রাইফলসনা পানিখেতি খুঙ্গংগী ইরং পার্ট-২ য়ুনিটকী এ জি এম এস য়ুগা খূৎশম্নরগা নুমীৎ ৬নিগী ওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা টিম ১৪না শরুক য়ারগা পাঙথোকখিবনি। টুর্নামেন্ট অসি থা অসিগী ১দগী হৌরল্লগা ঙসি লোইশিনখি।

ঙসি মফম অদুগী মশীং য়াম্লবা ভাবোক কয়া য়াওনা ফাইনেল মেটচ অদু শান্নখি। মায় পাক্লবা টিম অদুদা ট্রোফিগা লোয়নননা শেলগী মনা ওইনা লুপা লিশিং ১৫ পীখি। রন্নর্স অপ তাখিবা টিমদনা লুপা লিশিং ১০গী শেলগী মনা খূৎশিন্নখি। লোয়নননা গোল্ডন বূট অমসুং গোল্ডন বোলগী মনা ফংলবা শান্নরোয়শিংদা শেলগী মনা ওইনা লুপা ২,৫০০/২,৫০০ পীখি।

য়ুনিট অসিনা নুমীৎ ৬নি অদুদা স্পোর্টস শান্নফম অদুমক্তদা টি ৱাইচোংগী পব্লিক হেল্থ সেন্টরগা খূৎশম্নরগা মেগা ৱেলনেস কেম্প অমসু পাঙথোকখি। মদুদা মীওই ২৫০ রোম্না মখোয়-মখোয়গী অনাবশিং অদু য়েংখিবগা লোয়নননা হীদাকলাংথকশিংসু লেম্না য়েন্থোকখি হায়রি। নুমীৎ ৬নিগী থৌরমশিং অদু কোভিদ-১৯গী প্রোটোকোলশিং নীংথিনা ঙাক্না পাঙথোকখি হায়রি।

জমশেদপুর এফ সী অমসুং এফ সী বেঙ্গলুরু য়ুনাইটেদ মায় পাকখ্রে

কোলকাটা, সেপ্টেম্বর ০৬ (এজেন্সী): ৱেষ্ট বেঙ্গলনা য়ূম্বু ওইদুনা ষ্টেট অদুদা ঙরাংদগী হৌখিবা এসিয়াগী খ্বাইদগী লিরবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা দুরান কপকী ১৩০ রকশুবা এদিসনগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা জমশেদপুর এফ সীনা সুদেভা দেল্লী এফ সীবু ১-০দা অদুগা এফ সী বেঙ্গলুরু য়ুনাইটেদনা সী আর পি এফ ক্লবপুসু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি মোহন বগান গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা জমশেদপুর এফ সী অমসুং সুদেভা দেল্লী এফ সী লম্বা তৌনখি। মেটচ অদুগী পুংখায় অমরোম টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অদুবু ৩৩শুবা মিনটতা হোৎনবা কনখিবা জমশেদপুর এফ সীগী মায়কৈদগী লালরুৱাটমারিনা সুদেভা দেল্লী এফ সীগী গোলকিপর অদুবু মায়থীবা পীরগা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চনখি। অহানবা হাফ লোইরমদাই ফাওবা জমশেদপুর এফ সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অহেনবা চনশিন্নবা শান্নরকখিবা অদু খূদোংচাবা ফংহৌদবদগী ১-০দা হাফ লোইশিনখি। অনীশুবা হাফতা সুদেভা এফ সীগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর ফংনবা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা হৌরকখি। মখোয়না কোর্নর ফংলবসু টার্গেটতা বোল কাওশিনবা ঙমখিদবদগী কান্নবা ফংখিদে। ৬১শুবা মিনটতা সুদেভানা পেনাল্টি অমা ফংখি। অদুবু জমশেদপুর এফ সীগী গোলকিপরনা ঙাকথোকপা ঙমখিবদগী সুদেভা দেল্লী এফ সী মখা তারকপদা পাঞ্জল চনবা ঙম্বগী তাঞ্জা ফংখিদদুনা ০-১দা মায়থীখি।

ঙসি কল্যানি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ এগী অতোপ্পা মেটচ অমদা এফ সী বেঙ্গলুরু য়ুনাইটেদ অমসুং সী আর পি এফ ক্লব লম্বা তৌনরকপদা শান্নবগী ৬৩শুবা মিনটতা এফ সী বেঙ্গলুরু এফ সীগী মায়কৈদগী পেদ্রো জেভিয়রনা অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল চল্লগা মায় পাকখি।

রন ১৫৭তা ইন্দিয়ানা ইংলেন্দ মায়থীবা পীদুনা টেষ্ট সেরিজ ২-১দা মাঙজিল থাবা ঙমখ্রে

লন্দন, সেপ্টেম্বর ০৬ (এজেন্সী): ইন্দিয়া অমসুং ইংলেন্দনা শান্নরিবা টেষ্ট মেটচ ৫গী সেরিজগী ঙসি মরিশুবা টেষ্ট মেটচকী অরোইবা নুমীৎতা য়ূম্বু লৈবাক অদুবু রন ১৫৭তা মায়থীবা পীদুনা সেরিজ অসিদা মেটচ ২-১দা মাঙজিল থাবা ঙমখ্রে।

মরিশুবা টেষ্ট মেটচ অসি থা অসিগী ২দগী শান্নবা হৌরগা ঙসি ৫নি শুবা অমদি অরোইবা নুমীৎনি। ইন্দিয়ানা অহানবা ইন্নিংসতা রন ১৯১ লৌখি। মদুগী পাউখুমদা ইংলেন্দনা রন ২৯০ লৌরগা মখা তারকপা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অনীশুবা ইন্নিংসতা য়াম্না ফজদুনা রন ৪৬৬ লৌবদগী ইংলেন্দনা মখোয়গী অনীশুবা ইন্নিংসদা রন ৩৬৮ লৌরগা মেটচ মায় পাক্কদবনি। ঙরাং মরিনিশুবা নুমীৎকী শান্নবা লোইশিনখিবদা ইংলেন্দগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনরগা লাকখি।

ইংলেন্দগী মায়কৈদগী ওপনর রোরি বর্নস অমসুং হাসিব হামিদনা মথংশিংনা রন ৫০ অমসুং ৬৩ লৌদুনা ফজবা হৌখি। অদুবু অপূনবা রন ১০০ শুরকপদা রোরি বর্নস আউট ওইখিবদগী ইংলেন্দগী মখা তাবা বেটসমেনশিংনা মশক নাইবা পার্টনরশিপ অমত্তা শম্না ঙমখিদবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়াগী মায়কৈদা নকশিল্লকখি। অতোপ্পা ওপনর হাসিব হামিদ রন ১৪১ শুবদা আউট ওইখি। মখা তারকপা বেটসমেন অহুম রন ৬ লৌরগা আউট ওইখিবদগী ইংলেন্দগী ইন্নিংস তেনশিল্লকখি। ঙসি মখোয়না ওভর ৭২গা বোল ২ শান্নবা লোইশিল্লকপদা বেটসমেন ১০মক আউট ওইরগা রন ২১০খক লৌখিবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়ানা রন ১৫৭তা থোইদুনা সেরিজ ২-১দা মাঙজিল থারি। অরোইবা টেষ্ট মেটচ অদু থা অসিগী ১০দগী ওল্ড ট্রাফোর্ড ক্রিকেট গ্রাউন্দদা শান্নগনি।

মণিপুরগী ফুটবোল টিম খন্ননবা শান্নরোয় ১৫গী মমিং লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৬ (ঐচএনএস): চহী অসিগী নবেম্বর ২১দগী দিসেম্বর ৫ ফাওবা নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ফোর সন্তোশ ট্রোফি ২০২১ (নোর্থ ইষ্ট ক্বালিফায়িং রাউন্দ)দা শরুক য়ারুনবা মণিপুরগী টিম খন্ননবা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী টেক্নিকেল কম্মিটিগী রেক্কমেন্দেসনগী মতুংইন্না শান্নরোয় ১৫ কোচিং কম সেলেক্সন ট্রায়ল য়াওননবা খনখ্রে।

অম্ফাগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি এল নবানা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না চহী ২১ মখাগী কাঙলূপ্তা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং অদু কুমজা ২০০২গী জন্যুৱারীদগীনা কুমজা ২০০৪গী দিসেম্বর ৩১ ফাওবগী মনুংদা পোকপা ওইগদবনি হায়রি।

খনগৎলবা শান্নরোয় ১৫ অসিনা চৎলিবা থা অসিগী ৮ ফাওবগী মনুংদা মখোয়-মখোয়গী ক্লবশিংদা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন অনী কাপথোকখিবগী সর্টিফিকেটশিং অদু পীশিনগদবনি হায়রি। লোয়নননা মখোয় পূম্নমক ট্রেনিং হৌগদবা নুমীৎ অদুগী পুং ৭২ ৱাৎলিঙৈদা কোভিদ-১৯গী আর টি পি সী আর টেষ্ট নেগেটিভ ওইবগী রিজল্টসু য়াওগদবনি হায়রি। শান্নরোয়শিং অদুনা সেপ্টেম্বর ১০গী অয়ূক পুং ৮ তাবা মতমদা লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা রিপোর্ট তৌগদবনি।

খনগৎলবা শান্নরোয়শিং অদুদি, এম এদগী হাওলেনঙৌ কিপজেন অমসুং থাংখানলেন খোংশাই, ক্লাসাদগী সুধির লোইতোংবম অমসুং আর কে রোবিন, নাকোদগী এন প্রেমজিৎ অমসুং এন ষ্টিভেন, এস য়ুদগী এন বিনান অমসুং ঐচ পিয়াবুং, য়ং ফিজিকতগী ও রোহিৎ অমসুং ৱাই কম্মান্দো, কে আই ৱাই সীদগী এল অমিট অমদি ৱোরচুইপৈ কাসুং, নেসুদগী সলমান খুর্সিদ অমসুং এ আই এমদগী কে ঐচ জেক্কিনি।

বুক্সাগী হেটট্রিক অমসুং লিৱান্দোস্কিগী পাঞ্জল ২না পোলেন্দ মায় পাকহনখ্রে

সান মারিনো, সেপ্টেম্বর ০৬ (এজেন্সী): ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২২গী য়ুরোপিয়ন ক্বালিফিকেসনগী গ্রুপ আইগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৫শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা অদাম বুক্সাগী হেটট্রিক অমসুং রোবর্ট লিৱান্দোস্কিগী পাঞ্জল ২না পোলেন্দনা য়ূম্বু ওইখিবা সান মারিনোবু পাঞ্জল ৭-১দা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে।

অহানবা হাফতা পোলেন্দগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ৪ চনবা ঙমখি। লিৱান্দোস্কিনা পাঞ্জল ২, কারোল স্বিদর্স্কি অমসুং কেরোল লিনেটিনা পাঞ্জল অমমম্ চনখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপদা সান মারিনোগী মায়কৈদগী নিকোলা নানিনা পাঞ্জল ১ চনবা ঙমখি। অদুবু পোলেন্দগী মায়কৈদগী মখা তানা এটেক হেঞ্জিল্লকপদগী অদাম বুক্সানা থংন-থংননা পাঞ্জল ৩ চন্দুনা মেটচ অদু পোলেন্দনা ৭-১দা থোইখি। গ্রুপ অসিমক্কী ঙরাং অঙনবদা ইংলেন্দনা এন্দোরাবু ৪-০দা থোইরগা রাউন্দ ৫ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ১৫ ফংলগা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। পোলেন্দনা পোইন্ট ১০ ফংলগা অনীশুবা তারি।

গ্রুপ ঈদা বেলজিয়মনা চেক রিপব্লিকপু পাঞ্জল ৩-০দা থোইবা ঙমখি। বেলজিয়মগী মায়কৈদগী অহানবা হাফতা রোমেলু লুকাকুনা ৮শুবা মিনটতা একাউন্ট হাংদোকখি। মদুগী মতুং ইদেন হেজার্দনা ৪১শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১গা হাপচিল্লগা চেক রিপব্লিকপু মখোয়না ৫শুবা রাউন্দগী মেটচতা অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা পাঞ্জল ২-০দা হেন্দুনা লৈখি। চেক রিপব্লিককী মায়কৈদগী অনীশুবা হাফতা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙম্বগী খূদোংচাবা ফংখিদে। ৬৫শুবা মিনটতা বেলজিয়মগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা রোমেলু লুকাকুনা পীরকপা বোল অমদা টিমমেট এলেসিস সিলমেকরসনা পাঞ্জল ১গা চনশিল্লগা চেকরিপব্লিকপু বেলজিয়মনা ৩-০দা থোইখি।

গ্রুপ অসিদা বেলজিয়মনা মেটচ ৫ শান্নবদা ৪ মায় পাক্লগা ১ দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ১৩ ফংবগা লোয়নননা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। অদুগা চেক রিপব্লিকনা মেটচ ৫দা ২ থোইরগা ২ মায়থীখিবা অমদি মেটচ ১ দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৭ ফংলগা ২শুবদা লৈরি।

গ্রুপ বিদা ঙরাং স্পেননা জিওর্জিয়াবু পাঞ্জল ৪-০দা থোইবা ঙমখি। মেটচ অদুগী অহানবা হাফতা স্পেনগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ৩ চনখি। অহানবা পাঞ্জল অদু ১৪শুবা মিনটতা জোস গায়ানা চনখি। মহাক্কী মতুং ২৫শুবা মিনটতা টিমমেট কার্লোস সোলরনা মার্কোস লোরেন্টেনা পীরকপা বোলদা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনখি। ৪১শুবা মিনটতা ফেরান টোরেসনা অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা হাফ অদু লোইশিনখি। জিওর্জিয়াগী শান্নরোয়শিং ফনা কন্না হোৎনরবসু কান্নবা ফংখিদে। ৬৩শুবা মিনটতা স্পেনগী পাব্লো সরাভিয়ানা টিমগী ৪শুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা গ্রুপ বিগী ওইনা মেটচ ৫দা পোইন্ট ১০ ফংলগা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। অমরোমদা, স্বিদেনগী টিম মেটচ ৩দা অহুম্মক মায় পাক্লগা পোইন্ট ৯ ফংলগা ২শুবদা লৈরি।

‘এসিয়ন গেমসকীদমক্তা ইন্দিয়াগী হোক্কী টিম শেম শাবা য়ারে’

ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ০৬ (এজেন্সী): টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংদুনা কুমজা ১৯৮০গী মতুংদা অহানবা মেদল ফংলবা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিমনা এসিয়ন গেমসকীদমক্তা শেম শাবা হৌবা য়ারে হায়না টিম অসিগী কেপ্টেন মনপ্রিট সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

কুমজা ২০২২গী সেপ্টেম্বর ১০দগী ২৫ ফাওবা চাইনানা য়ূম্বু ওইরগা হাংঝৌদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন গেমস অদুদা গোল্ড মেদল লৌদুনা কুমজা ২০২৪গী পেরিস ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইবগী পান্দম অদুদা মায় ওনশিনবা য়ারে হায়না কেপ্টেন মনপ্রিট সিংহনা ফোঙদোকখিবনি।

টোকিওদা মায় পাক্লকপা অদুগী মতুং শান্নরোয়শিংগী ৱাখল অমসুং হকচাং পোত্থাবগী মতম লোইশিনবা য়ারে। হান্নদগী হেন্না ফজবা মওংদা শান্নবা ঙম্নবগী মতম ওইরে হায়না কেপ্টেন অসিনা মখা তাখি।

মমাংগী কুমজা ২০১৮ ইন্দোনেসিয়াদা পাঙথোকপা জকর্টা এসিয়ন গেমসতা ইন্দিয়াগী টিম ব্রোঞ্জ মেদল ফংদুনা ওটোমেটিক ওলিম্পিক ক্বালিফিকেসন অদু ফংখিদবনি। অদুবু ইন্টরনেসনল হোক্কী ফেদরেসনগী মায়কৈদগী ক্বালিফায়িং মেটচশিং অদু ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা মরম্না খূদোংচাবা ফংখি। অদুবু অদুগুম্বা তাঞ্জা অদু ঙাইদুনা লৈবা য়াদে। টিম অসিগী হৌজিক মাংদা লৈরিবা ইহান হানবা পান্দমদি এসিয়ন গেমসতা হোক্কীগী গোল্ড মেদল লৌদুনা প্রেসর লৈতনা কুমজা ২০২৪ পেরিস ওলিম্পিক গেমসকীদমক শেম শাবা ঙম্নবা হোৎনবা অদুনি।

নুপীগী টিমসু হান্নদগী য়াম্না ফগৎলে। লোয়নননা ইন্দিয়াগী হোক্কী অসি হান্না লৈরম্বা ফীভমদগী অচৌবা মায়ওন অমদা লাক্লিঙৈ অসিদা হোংদোক্তনবা কন্না হোৎনসি হায়খি।

LOAN AVAILABLE
EMPLOYMENT NEWS
> IMPHAL BRANCH:- Security/Gunman-2
> MOIRANG,NAMBOL,THOUBAL,KAKCHING BRANCH:- Office Asst.-2,Grade IV-2
> SAMUROU BRANCH:- Office Asst.-2,2 wheeler Mechanic-2, Car wash Helper-2,Tyre fitting helper-2
L.G. MOTORS FINANCE
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,H.Q
CONTACT No.:- 8731978490/9774495994
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING,IMPHAL WEST,MANIPUR
OFFICE HOUR:
10.00AM TO 4.00PM
BRANCHES:- ,SAMUROU NEAR MACHU HALL,,THOUBAL BRANCH AT KHANGABOK KM BLOOMING SCHOOL OPP.,
NAMBOL PHOIJING LAMBAN,MOIRANG PATLOU,KAKCHING IRUM LAMDONG,SEKMAI KOUJENGLEIMA.
HL-B/7056/20/8-3/9

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 222

Porrasmaa, Timo - Kekki, Jorma (2320)
FIN-chT Finland, 1986

1.e4 e6 2.d4 d5 3.Nc3 Bb4
4.e5 c5 5.a3 Bxc3+ 6.bxc3 Qa5
7.Bd2 Qa4 8.Qg4 g6 9.Ra2 Nc6
10.Nf3 Nge7 11.Qf4 cxd4 12.Ng5 Nf5
13.g4 h6 14.Nxf7 g5 15.Qf3 Rf8
16.gxf5 Rxf7 17.f6 Nxe5 18.Qh5 dxc3
19.Bxc3 Qe4+ 20.Qe2 Qxh1 21.Bxe5 Bd7
22.f3 a6 23.a4 Rc8 24.Kf2 Rc4
25.Ra1 Rf4 26.Bg2 Qxh2 27.Rh1 Rxf3+
28.Kxf3 Rxf6+ 29.Kg4...

QUESTION :
Black to Win

Puzzle 221 Ans. :
20. ...fxe4 21.Nd7+ The white knight clears the way for White's bishop to the square d6. Opening the line from d6 to f8. Qxd7 22.Bd6# Double check mate Double check
21. Nd7+ Qxd7 22.Bd6#

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com